# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-06-2024)**

**ম্যান্মার (এল)ঃ** মনিপুর সরকারনা আইননা য়াদবা মওংদা চংশিল্লকপা মীতোপশিং খঙদোকপা অমসুং মশা মশাগী মরমদা হলহনখিবগী থবক লেপ্তুনা চথুরক্লি। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ম্যান্মার মচা ৩৮ মোরেদা লৈবা ইন্টগ্রেটেদ চেক পোষ্ট (আই.সি.পি) গী খুথাংদা ঙরাং মরমদা হলহনখ্রে। মখোয়শিং অদু মোরেদা তাবা ইমিগ্রেসন ওফিসারশিংনা ম্যান্মারগী ওথোরিতিদা তেক্ত কায়দনা শিন্নখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-রাজ্য সরকারনা আইননা য়াদবা মওংদা চংল্লকপা মীওইশিং হলহনখিবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। ঐখোয় পুন্না হোৎনদুনা ঙমখৈ অমসুং লৈবাক অসি ঙাক শেনদুনা থমসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

**জিরি (এল)ঃ** জিরিবামদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং হকথেংননা য়েংশিন্ননবা মুখ্য মন্ত্রিগী এদভান্স কনভোই টিম ঙরাং জিরিবামদা থুংখ্রে।

এদভান্স সেক্যুরিতি টিম অসিগী কম্মান্দর ওইনা থৌ পুরিবা অহানবা মনিপুর রাইফলসকী ডা: এস. ইবোমচানা লুচিংবা খুৎপু অদু জিরিবামদা চৎতুনা মফম অদুদা ঙাক শেনবগী থবক পাঙথোকপা হৌখ্রে। এদভান্স টিম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা জিরিবামদা চৎনবা থৌরাংগা মরী লৈননা লৌখৎপা খোঙথাংনি।

**বোম (এল)ঃ** শকখঙদবা মীওইশিংনা ঙরাং নুমিদাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ব্রহ্মপুর নহাবম বামোন লৈকাইদা লৈবা ময়াংলম্বম বিরমনি কৌবা মীওই অমগী য়ুমদা বোম অনি লংশিল্লম্লে হায়রি। বোম অদু পোকখায়রকপদগী য়ুম অদুদা খামদুনা লৈবা গাড়ি অমা মৈনা চাকখ্রে। মহাক ৱুশু এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী টেকি

কেল চেয়ারমেন ওইরম্বনি।

অমরোমদনা, জেনিমস হোস্পিতালদা ন্যুরো সর্জন ওইরিবা ডা: এম. অমিত কুমারগী য়ুমদসু ঙরাং নুমিদাং বোম অমা লংশিল্লম্লে।

অদুম্মকপু অশোক-অপনগী পাউদি লৈতে হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী ঈরাং লৈবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমদি থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখ্রি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবগী পাউ লৈতে। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে টুদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ১৯৩ চংল্লকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চেক পোইন্ট ১২০ হাংলি।

**জিরি (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী য়েংলগা জিরিবাম ষ্টুদেন্টস ফোরম-ইম্ফালনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা হীরম তরেৎ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিংগী মনুংদা-সোরোক অতিংবী খুনৌদগী সোইবম সরতকী মীহাৎতা চেন্নরিবা মীশক খুদক্তা ফাদুনা আইনগী ওইবা চৈরাক পীবা, বোড়োবেক্রা সব-দিভিজনদা লৈবা য়ুমশিং মৈ থাদোকপগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং আইনগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক পীবা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ৱাৎলিবা ষ্টাফশিং অমদি খুৎশু খুৎলায়শিং অথুবা মতমদা থন্বীনবনচিংবশিং য়াওরি।

**উরিষ্যাঃ** বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা মোহোন চরন মানজি, উরিষ্যাগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ঙসি ৱাশক লৌরগনি। বি.জে.পি. লেজিসলেচর পার্টিনা মশাগী চহি ৫২ শুরবা মানজিবু মুখ্য মন্ত্রি ওইননা অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱাশক লৌবগী থৌরম ভুবনেশ্বরগী জনতা মৈদানদা পাঙথোক্কনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং-জ্ৱাল ওরাম, অশ্বিনি বৈষ্ণব অমসুং বি.জে.পিনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিংসু শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, তেলুগু দেসাম পার্টিগী মকোক-নরা চন্দ্রাবাবু নাইদু ঙসি অন্ধ্র প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা য়াওনা অতৈ শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম বিজয়ৱারা ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্ট মনাক্তা লৈবা কেসারাপালি আই.টি. পার্কতা ঙসি অয়ুক পুং ১১ মিনিট ২৭ চৎপা মতমদা পাঙথোক্কনি।

শ্রী নাইদুগা লোয়ননা টি.দি.পিগী লুচিংবশিং, জন্ন সেনা অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবশিংসু ঙসি ৱাশক লৌগনি।

**য়ুজিসি ঃ** লৈবাক অসিগী য়ুনিভরসিতি অমসুং হয়ার এদুকেসন ইন্সটিট্যুটশিংদা মথংগী একাডমীক সেসনদগী চহি অমদা অনিরক মিং চনবা য়ারগনি।

য়ুনিভরসিতি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু.জি.সি) গী চেয়ারপার্সন-এম. জগদিস কুমারনা হায়-অনৌবা থৌশিল অসি মপান লমগী য়ুনিভরসিতিশিংদদি হান্নদগী চৎনখ্রবনি। অনৌবা থৌশিল অসিগী মতুং ইন্না চহি অমগী জানুৱারী-ফেব্রুৱারী অমসুং জ্লাই-আগষ্টতা মিং চনবা য়াগনি।

নীংশিংবা য়াই, মমাং চহিগী জ্লাই ২৫ দা কম্মিসন অসিগী ১৭১ শুবা মীফমদা চহি অমদা অনিরক মিং চনবগী থৌশিল অসি ওপন এন্দ দিসটেন্স লরনিং অমসুং ওন লাইন খক্তদা অয়াবা পীরম্বনি।

**ঝরখন্দঃ** ঝরখন্দদা কে.জিদগী হৌরগা ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবদা লৈবা স্কুলশিং লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা ছুতি থারগনি। রাজ্য অসিদা শাবগী চাং খম থেংনা হেনগৎলকপদগী খোঙথাং অসি সরকারনা লৌখৎপনি।

মেট দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী পালামু জিলাদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৪৫.৪ য়ৌখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

জিরিগী ফিভম অসাম পুলিস য়াওনা খন্নখ্রে, শান্তি হনজিল্লকবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে। অনিশুবা ফেজকী ওইনা ম্যান্মারি ৩৮ মরমদা হলহনখিবা অমসুং চীফ মিনিস্তরগী এদভান্স কনভোই টিম ঙরাং নুংথিল জিরিবাম য়ৌরকখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

মতম অমদা হেক্তা সি.এম. জিরিদা চৎনবা থৌরাং তৌরি হায়না সনা লৈবাক্তা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-চীফ মিনিস্তরগী এদভান্স কনভোই টিম ঙরাং নুংথিল জিরিবাম য়ৌরকখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেন্টরগী অনৌবা গভরমেন্ট অসিনা মনিপুরদা এন.আর.সি. চৎনহন্নবা, শান্তি থমবা থৌরাংশিং লৌখৎলক্কনি থাজবা লৈ হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱারোল মনিপুর ন্যুজতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ম্যান্মার মচা ৩৮ মরমদা হলহনখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ-পিপলস ক্রোনিকল অমসুং নহারোলগী থৌদাংদসু হেদলাইন তৌরি।

অহানবা ওইনা নরেন্দ্র মোদিগী কাউন্সিল ওফ মিনিস্তরদা মুস্লিম মিনিস্তর অমত্তা য়াওদ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পোকফমদা-বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা মনিপুরগী চীফ মিনিস্তরনা দি.জি.পি. অমসুং সেক্যুরিতি এদভাইজর করিগী লৌথোক্ত্রিবনো হায়বা ৱাফমনা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

সি.এমনা য়ুস্ক্ষম য়াওদবা ৱাফমদা থৱায় য়াওশিনদুনা লৈরে হায়না ও. ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন অনিমক্তা- আর.এস.এসকী পাউতাক তাগদবনি হায়বা ওপোজিসনগী ৱাফম হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

আর.এস.এসকী চীফ-মোহোন ভগৱটনা ফোংদোকখিবা-মনিপুরদা চহি অমা হেল্লবা ফাওবা শান্তি লৈত্রে হায়বা ৱাফম মোরনিং বেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-ওক্রম ইবোবীনা সি.এম. বিরেনদা সেক্যুরিতিগী অহোবা লৈহনবগী ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মরুওইবা পাউ ওইরি।

তমেংলোং টাইমসতা-হেদ স্তার্ট একাডমীনা হন্দক পাঙথোকখিবা নিট পরিক্ষাদা মকোক থোংলকপা অমদি মায় পাক্লবা মহৈরোইশিং তরামা ওকখিবগী পাউ হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সাইক্লোন রেমাননা শোকহল্লবা সেনাপতি জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আই.এম.সি.টিনা য়েংশিনখিবগী পাউ, মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।